অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বী ফুরাইলাৎপম নিংঙোল হিদংময়ূম ওংবী সনাহনবীনা থা অসিগী ১৮দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপূনবা নুপী লূপনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী এস মোমোন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, হিদংময়ূম ওংবী সনাহনবীনা মহাক্কী পোকফম শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জের পুখ্রি মপালদা লৈবা য়ূমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মহাক্কী থৱায় য়াইবিলেন্না মপূগী মশাইগোন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়রি।

অমরোমদা সলাই অপূনবা নুপী লমজিং লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি এ কে শান্তিনা থোকপা চেরোল অমনসু শগোলবন্দ অপূনবা লমজিং লূপকী সেক্রেটরি ওইরম্বী সনাহনবীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরসকী মখাদা প্রি মেট্রিক, পোষ্ট মেট্রিক অমসুং মেরিট কম মিন্স বেজ স্কোলারশিপ স্কিমগী ওনলাইন স্কোলারশিপ এপ্লিকেসন ভেরিফিকেসন তৌবগী মতম শাংদোক্লে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মাইনোরিটি এফ্যেরস দিরেক্টর এন জি উতমনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৮-১৯ গী ইনষ্টিট্যুটশিংনা ভেরিফিকেসন তৌবগী মতম নবেম্বর ২৫ ফাওবা শাংদোক্লে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট/ষ্টেটকীনা নবেম্বর ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি। ইনষ্টিট্যুটকী মকোকশিং, দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসরশিং অমসুং ষ্টেট নোদেল ওফিসরশিংনা মতম চানা ওনলাইন ভেরিফিকেসন তৌনবা খঙহল্লক্লি।

‘কোলকটা মণিপুর ভবনগী ষ্টাফ নারোন্দা লৌবা য়ারোই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): কোলকটা মণিপুর ভবনগী ষ্টাফ ৬ দেল্লি ৱেজেজ বেসিসতা লৌগদৌরিবা অসি য়েলহৌমী ওইরিবশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীগদবনি অমসুং ফোর্ম সবমিসন তৌবগী লাষ্ট দেটকী মতম শাংদোক্কদবনি হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) না ফোঙদোরক্লি।

জে সী আই এল পি এসকী কো কন্ভেনর (মিদিয়া এন্দ ইনফোর্মেসন) জিটেন্দ্র নিঙোম্বম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, কোলকটা মণিপুর ভবনগী এল দি সী, ওফিস এসিষ্টেন্ট, রিসিপ্টসনিষ্টকী পোষ্ট অমমম, দ্রাইভরগী পোষ্ট ২, মল্টি টাস্কিং ষ্টাফকী পোষ্ট অমা, স্পিপরগী পোষ্ট ২ দেল্লি ৱেজেজ বেসিষ্টা লৌনবা নোটিশ অমা ভবন অসিগী দেপ্যুটি রেসিদেন্ট কম্মিস্নর এস এম দেবী রোয়না থা অসিগী ৬তা থোকখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী জি এ দিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট অসিনা থোক্লিবা নোটিশ অসি মণিপুরগী মীয়ামদা করিগুম্বা ঈ-পাউ অমত্তা খঙহনখিবা লৈতে হায়বা ৱাকৎ কয়া জে সী আই এল পি এসতা লাকখি। মতুংদা কুপ্না য়েংশিল্লুবদা হায়রিবা নোটিশ অসিগী কোপিদুদা পল্লিবা অসি অন্দর সেক্রেটরি (জি এ দি) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা ইনফোর্মেসন পীবা অমদি নোটিশ বোর্দ খত্তদনি।

মণিপুর মীয়াম খঙনবা পব্লিক নোটিশ ওইনা পাউচেশিংদা ফোঙবগী ৱারোল য়াওদে, লোন্না গভর্ণমেন্টকী থবক লৌবগী অরানবা থৌওং তৌরে হায়বসি ময়েক শেংলে। থা অসিগী ৬তা কোলকটাদা ওফিসিএল নোটিশ থোক্লগা এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ১২দা ওইবা হায়বসি পাউচেশিংদা ফোঙলবা ফাওবদা নংলরোইদবা ৱাফমনি হায়রি।

মণিপুর অসিদা থবক ফংদবগী খোল্লাউ কয়া লৈরিঙৈ অসিদা অসিগুম্বা লোন্না অরোনবা থবক অমা চখুবা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। থবক মচা অচৌবগী ৱাফম তোঙাল্লগা অরানবা সিষ্টেম অমদা করপসন, ফেবরেটিজম, নেপোটিজমগী থৌওং ফোংনা চখুবগী থৌওং অসি জে সী আই এল পি এসনা কন্দেম তৌই।

মণিপুরগী মপান্দা লৈবা ওফিস ওইরগসু লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী ফংফম থোকপা অদু মীতোপশিংদা লাম্থোকপা হায়বসি ষ্টেট অসিগী য়েক্লবনি হায়না লৌগনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু থওইদ্রবা, মীনুংশি পকত্রবা দি আর সীগী মথক্তা চপ চাবা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকদবনি। লোয়ননা এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ অমুক হন্না শাংদোক্কদবনি হায়রি।

অসিগুম্বা থৌদৌ অসি চথরক্কনি হায়বা খঙবদগী মাঙজৌননা হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা প্রাইভেট টিভি চেনেলদা খন্ন-নৈনবদা মরীক চুম্না নৈনখ্রবনি। লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অসিগী মীৎ নাকোং ওইনবা আপিল তৌখ্রবনি হায়রি।

লমদমসিগী ইচে ইচলশিংনা অয়ূক নুমিদাংদা ইম্ফাল মনুংদা স্পিপর ওইদুনা শেল তাল্লি। কৈথেলগী অমদি লৈকায়দগী ফত্ত-হৌদি কয়া অমসু লেবর য়ুনিয়ন মণিপুরনা কোয়খোম কোল্লগা সোলিদ ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট প্লান লমদেং খুনৌদা পৈশিনবগী থবক তৌরি। মরম অদুনা থবক শূবদা চিলহাও থিবগী ৱাখল থাদোক্তুনা অফংবা থবক পায়খৎনরক্লবা মতম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইবা থবক লৌবা মতমদা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী চাকথুং মৎপা য়ারোই হায়বসি জে সী আই এল পি এসকী অকনবা খোল্লাউনি।

কোলকটাদা নৎত্রগা গুৱাহাটি অমদি দেল্লিদা লৈরিবা ভবনশিং অসিদা মণিপুরী মচা নত্তবা মপানগী ষ্টাফনা মেজোরিটি ওইরবনি। মসিনা মণিপুর মচাশিংনা ঐখোয়গী ভবন লৈ হায়না চঙলুবা মতমদা লোল-লি খঙদবা ষ্টাফ ময়াম অমনা করেম-কথাইনবীবা, থৌ-ৰা শাবীদবগী থৌওং কয়া থেংনরিবনি হায়রি।

ভবনশিং অসিদা লাক্লিবা মীওইশিং অসি মরুওইনা শেল পায়জদবা, লম্মীৎ-তুম্মীৎ নীংথিনা খঙজদবা, লোল-লি ফাওবা ৱাৎপা, অদুগীসু মথক্তা ষ্টেট অসিগী ওইনা সেফ ওইবা মফমনি খন্না চঙজরকপনি। অদুবু ওন্ন-তৈনবদা হেক চঙলকপদগী হৌনা অহাঙবা রুম লৈতে হায়বা ঙাক্তনি। মীচং লৈজদবা মীনা ইচম চম্না হেক্তা লৈবা ফংবা নত্তে হায়রি।

মমাঙথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ফম পায়বা মীওই ফাওবা রুম ফংদবদগী সী এস ওগী থৌ পুরিবশিংদা হায়রক্তুনা রুম ফংহনখিবা লৈ। মসি তৌরোইদবা লিচৎনি। চান-থক্লবগী মতাংদসু ভবনগী মেসতা লৈরিবা কুকশিং বিহারি অমদি বেঙ্গোলি মচা ঙাক্তা ওইবনা ওন্ন-তৈনবা মখলগী চাক-এঞ্জাং ঙাক্তা পুথোরকপা ঐখোয় পূম্বনা থেংনরিবা ঙাক্তেনি। অসিদসু নত্তনা ফোরেন টুরিষ্টশিংনা ষ্টেট অমদা চৎনীংবা মতমদা ষ্টেট অদুগী মরীক চুম্বা ঈ-পাউ লৌনবা ষ্টেট অদুগী ভবন্দা লাক্লি হায়রি।

মণিপুরগী মরমদা খঙদবা ষ্টাফ থম্বনা খুদোংদবা কয়া অসি থোকহল্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মণিপুরী মচাগী হোস্পিটিলিটিগা মীতোপশিংগী হৌন-লোনচৎকা য়াম্না খেন্নে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী ফিদ্মনীংঙাই ওইবা হৌন-লোনচৎ, শাজৎ লিচৎশিংগী অহানবা মীংশেল ওইরিবসি মপান্দা লৈরিবা ভবনশিং অসিনি হায়না লৌই। মরম অসিনা অসিগুম্বা ফিদম্নীংঙাই ওইবা, তমজনীংঙাই ওইবা থৌওং কয়াবু য়োকখৎনবা ইরমদমগী য়েলহৌমী-শিংদা খুদোংচাবা হান্না পীগদবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থবক কৌবা খুদিংগী ৱাথোক ওইহল্লোই হায়রবদি কেন্দিদেটশিং অদু তঙাইফদনা মণিপুরী লোল নীংথিনা খঙবা, পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট ওইবা, এস এস/এস টি/ও বি সী ওইরবসু মণিপুর ষ্টেটনা রিকগনাইজ তৌবা ষ্টেটসতা লৈবা ওইহনগদবনি হায়রি।

অসুম্না তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসনগী মথক্তা হেন্না প্রিফরেন্স পীগনি হায়বা ৱাফমশিং অসি পূম্নমক্তা খঙহনগদবনি। হৌজিক হৌজিক নোটিফিকেসন থোক্লিবা অসিগী অরোইবা নুমিৎ য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০নি শাংদোকপীয়ু। লোয়ননা মরম্নাই ওইবা অপাম্বা মওংদা অরোনবা থৌওং চখরিবা দি আর সীগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌগদবনি। অমুক হন্না অরোনবা থৌওংসি তৌদনবা ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোক্তুনা মণিপুর ভবন খুদিংমক্তা খঙহল্লু। ৱাথোক ওইরক্লিঙৈদা অথুবা সোল্যুসন পুরক্লবা শিনবীবনা য়াইফবা ওইগনি হায়না জে সী আই এল পি এসনা গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

পি এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াগনি : এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): উত্তর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদাদা হৌখিবা চহীদা উরিপোক্তগী চনম প্রভিস কৌবা মহৈরোয় অমা লৈখিদবগী মতাংদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল ফংদনা লৈরক্লিবা অসি সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না হকচিন্না লৌই অমসুং চিংনবা ফাওই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরি জেনরেল ভুশন লোংজম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মিসিং রিপোর্ট পীনা পীনা অশিবা হকচাং পোৎলোইখিবা অসিগুম্বা থৌওং অসি মহৈরোয় খুন্নাইদা নত্তনা মণিপুরীশিংবু উশিৎতবনি। অসিগুম্বা থৌদোক মসিনা অহানবা নত্তে অমসুং মখা তানা কয়া অমসু থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ১১দা সি বি আইদা কেস অসিবু থিজিলহন্নবা অহৈবা চেরোল থাখ্রবা মতুংদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২০দা সী বি আইনা কেস অসি থিজিনবা ঙম্লরোই হায়না অমুক ইমা লূপ অমগী লুচিংবীদা চেরোল থারকখি হায়রি।

য়াম্না ঙকপা অমনা লৈবাক অসিগী অৱাংবা থাক্কী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা কেস অসি মখোয়না থিজিনবগী মহুৎ উত্তর প্রদেশ পুলিসনা ওইনা থিজিলহন্নবা রিকমেন্দ তৌরখিবা অসিদি য়াম্না ইকায়নীংঙাইহনি। লৈঙাক্না কেস অসি সী বি আইদা শিন্নরে হায়না মমাঙদা লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। অসুম্না চয়েৎনবা থোকহল্লিবা অসি মনুংদা অরোনবা খুজিল থৌরাং লৈরম্লোই হায়না চিংনদবা ঙমদে হায়রি।

থা অসিগী ৬তা কেবিনেট মীফম ফমদুনা অমুক হন্না কেস অসিবু সী বি আইদা থিজিলহল্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মখা তাবা ৱারী ৱাখোং অমত্তা মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি। মণিপুরদগী মহৈরোয় অমা মপান লমদা মহৈ তম্বা চৎখ্রগা মফম খঙদনা লৈখিদবদা ঙসি ফাওবা মমা মপা ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্লা থৌনা ফুদোক্তবা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না ফোঙদোরক্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীশি অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরী মখোং পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি অমসুং মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্লবা শেমখিবা পিপল এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ প্রভিস চনম ওফ উরিপোক অচোম লৈকায় এট গ্রেটর নোইদানা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শরুক য়াগনি অমসুং শৌগৎকনি হায়রি।

খোংনাংথাবা এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলায়েন্স ওফ মণিপুর দেসামনা লৈঙাক্কী অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগী থোইদোক হেন্দে দাকপা মথৌ পাঙথোকপা ওজাশিংদা কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা চহী খুদিংগী দেসাম্না কৎপা চীংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ (চি-মখা খোঙা) মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩দা পাঙথোক্কদবা দেসামগী ১৭লকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লান্থোক্লগনি হায়রি।

ইকায়খুম্নরবা ওজাশিংনা মরী লৈনবা বাইও দাটাশিং থা অসিগী ২২দগী লাক্লিবা দিসেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা দেসামগী টেম্পরেরি হেদ ওফিসতা পীশিনবীরকউ হায়রি।

দোকুমেন্টশিং অদু মরী লৈনবা হেদ ওফ ইন্সটিট্যুট, লোকল ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি মরী লৈনবা জেদ ঈ ওশিংনা রিকমেন্দ তৌবা য়াওবিরক্কদবনি হায়না দেসামগী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যেরস এস ঐচ দেবদত্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অসাম রাইফলসনা খুদেংথাবীদা লুপা লাক্ষ ১৪গী মমল ওইগদবা সনা ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী তেংনৌপল বট্টালিয়ন্না লুপা লাক্ষ ১৪ রোমগী মমল ওইগদবা সনা কার অমদা পুরকপদা ফারে।

ইম্ফালদগী মোরে তম্না মীওই ৪ তোংদুনা থৌদোকখিবা অঙৌবা মচুগী মারুটি স্বিপ কার অমদা মীরমদগী পুশিল্লকপা সনা লোন্না পুখ্রে হায়বা অখন্নবা পাউ ফংবদগী খুদেংথাবীগী চেক পোষ্টতা গাড়ী অদু খামদুনা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা চেক তৌবদা সনাগী বিস্কিট ৩ কার অদুগী মথক থংবা শরুক্তা লোৎলগা পুরম্না থেংনখিবনি হায়রি।

সনাগা লোয়ননা ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি এম দি অবদুল মতিন (৩৫), এম দি ইসরাৎ খান (১৯), এম দি রাজাউদ্দিন (২৭) অমসুং এম দি ইদুর রেহমন (১৯) নি। মখোয় লোইনমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং খুনৌদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি। এ আরনা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা মোরেদা লৈবা কষ্টম ওফিসতা মখোয় মরি অদু শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিবু ৱর্ল্ড ক্লাস দেষ্টিনেসন ওইহন্নবগী থৌওং ওইনা মণিপুরদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবা লাক্লিবা ম্যান্মার মচাশিংবু তেংনৌপল বট্টালিয়ন্না তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী কম্যান্দেন্ট, ওফিসরশিং অমদি খুদেংথাবী পার্মিনেন্ট ভেহিকল চেক পোষ্টতা মথৌ পাঙথোক্লিবশিংনা তরাম্না ওকখি। ম্যান্মার মচা ৪৭ য়াওবা মীরৈবাক মচা ৬৫ অদু তেংনৌপল বট্টালিয়ন্না খুদেংথাবীদা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চামিন-থকমিন্নখি হায়রি।

হেদ ক্বার্টর ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা লাইফ ষ্টাইল অমসুং লৌনগনবা লায়নাশিংগী মরমদা শওন্নুং কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা লৈবা লৈশেন্না মহৈকোলগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা লেকচর অমা পাঙথোকখ্রে। মহৈরোয় ৫২ অমদি ওজাশিংনা পাঙথোকখিবা লেকচর অদুদা হকচাং নোয়খৎপা, দাইবেটিস, থম্মোয়গী লায়নাশিংদগী করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মরমদা লেকচর পীখি হায়রি।

চীংথী এন্টি-পোচিং কেম্প য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমার অমদি দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা চীংথী এন্টি পোচিং কেম্প অমদি কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী ফীভম য়েংশিনখ্রে। ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা য়েংশিনবা চৎপা অদুদা পি সী সী এফ এন্দ ঐচ ও এফ এফ, কে অঙ্গামী অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদুদা চীংথী এন্টি পোচিং কেম্প, কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককা তায়ননা লৈরিবা লোক্তাক পাৎকী মফম কয়াদসু চৎতুনা য়েংশিনখি। বাইওটিক প্রেসর হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মফম অদুদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। ষ্টেট এনিমেল ওইরিবা সঙাইগী লৈফম অসি ইকোলোজিকেল ইম্পোর্টেন্স লৈবা মফমনি। খোঙচৎ অদুদা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট কয়ানা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংসু য়েংখি। ইকোলোজিকেল পার্ক শেমগৎনবা থৌরাং তৌরিবা মফমসু য়েংশিনখি।

ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট অমদি ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন এক্টকী মখাদা ক্লিয়ারেন্সকী প্রোসিজরশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। নেসনল পার্ককী বাউন্দরিশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা বাউন্দরি পিল্লরশিং থম্নবসু ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংদা খঙহনখি। এল দি এ অমদি এ আরনচিংবদা মখোয়গী কেম্পশিং নেসনল পার্ককী ৱাংমদা হোংদোক্লবা চে ইনবসু ওফিসলশিংদা খঙহনখি হায়নসু মখা তারি।

ওপরেসনদা মীওই ৫৯ লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মন্ত্রিপুখ্রি ফ্রেন্দস কোলোনি অমদি পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লমলোং কৈথেলনচিংবা এরিয়া য়াওনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দোনা থি-হুম্বা চথবদা নুপা ৫৩ অমদি নুপী তরুক লৌখৎখ্রে।

থা অসিগী ২১ দগী নুমিৎ ১১ নি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল অসিগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোনা চিংনবা মফমশিংদা থি-হুম্বগী থবক কন্না চখুরি। ঙরাং অয়ুক পুং ৪.৩০ দগীনা পুং ৬.৩০ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি কে মেঘচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা এদিস্নেল এস পি (ওপস) এম কুমারজিৎনা লুচিংবা কাঙবুনা মন্ত্রিপুখ্রি ফ্রেন্দস কোলোনি এরিয়াদা কোয়শিন্দুনা থি-হুম্বা চথখি। ওপরেসন অদুদা নুপা ৮২৪ অমদি নুপী ৩০১ য়াওনা তোঙান তোঙান্না লম্বীগী নাকলদা পুথোক্লগা ৱাহং পাউহং চথখি। মখোয়গী মরক্তা নুপা ৪৮ অমদি নুপী তরুক মশাগী শক্তাক চে পুথোকপা ঙমদবদগী ফাজিনখি অদুগা অতৈদি লোয়না থাদোকখি। মখোয় মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ দগী ৫.১৫ ফাওবা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্লোং কৈথেল এরিয়াদা ইম্ফাল ইষ্টকী কম্মান্দোশিংনা থি-হুম্বা চথখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী এস পিগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি এম কুমারজিৎনা লুচিংবা কাঙবুনা কোয়শিন্দুনা থি-হুম্বা চথখি। ওপরেসন অদুদা নুপা ৭০ রোম পুথোক্লগা ৱাহং পাউহং চথখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই মঙাখক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

দিসেম্বর ১ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): য়ৈথোকখিবা কোলেজ অহুমগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখল দিসেম্বর ১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না দিরেক্টর ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

নবেম্বর ২৩ দা মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্লগা নবেম্বর ২৭ কী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মীরেপচে লৌবা য়াগনি। থংনবা নুমীৎকী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মীরেপচে পীশিনবা য়াগনি অমসুং নবেম্বর ২৯ গী অয়ুক পুং ১১ দগী স্ক্রুটিনি পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা মীরেপচে লৌথোকপা য়াগনি। দিসেম্বর ১ গী অয়ুকপুং ৯ দগী নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা ভোট থাদনরগা নুমীৎ অদুমক্কী পুং ১ দা ভোট মশিং থিবা হৌগনি। নুমীৎ অদুমক্তদা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি। আইদি কার্দ পীবা অমসুং রিন্যু তৌবগী থবক নবেম্বর ২৭ কী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। নোমিনেসন ফোর্মগী মমল লুপা ১২০ নি অমসুং সিক্যুরিটি দিপোজিটনা লুপা ৬০০ নি। মহৈরোয় ৫০০ ফাওবগী ইলেক্টোরেল রোলগী মমল লুপা ১৫০ নি। মহৈরোয় ৫০১ দগী ১০০০ ফাওবগী মমলনা লুপা ২০০ নি অমসুং মহৈরোয় ১০০০ দগী হেল্লবদি ইলেক্টোরেল রোলগী মমল লুপা ২৫০ ওইগনি। মীখল পাঙথোক্লিঙৈদা মপানগী মীওইশিং অমসুং ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎ অমত্তা ভোট থাদফমদা চঙহল্লোই হায়না নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দিল্লি কোর্টনা য়াস্পাল সিংহবু শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৮৪ দা থোকখিবা এন্টি-সিখ রাইয়টকী কেসকা মরী লৈননা দিল্লিগী কোর্ট অমনা য়াস্পাল সিংহবু শিবগী চৈরাক পীনবা অমসুং নরেশ সেরাৱটপুনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

সিখ ফুরপকী মীওই কয়া হাৎখি হায়বগী মরালদা দিল্লিগী কোর্টনা মীওই অনী অসিগী মথক্তা চৈরাক পীনবা খঙহনখিবনি। স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) না মরাল লৈরবা মীওই অনীমক শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না তকশিনখি। কুমজা ১৯৮৪ দা থোকখিবা রাইয়টতা সাউথ দিল্লিগী মহিপালপুর এরিয়াদা হর্দেব সিংহ অমসুং অবতার সিংহ হাৎখিবগী য়াস্পাল অমদি নরেশপু দিল্লিগী কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

এস আই টিগী পব্লিক প্রোসিক্যুটর সুরিন্দর মোহিদ সিংহনা হায়খি, মশাগী চহী ২৫ শুবদা ঙাইরিবা মরাল লৈজদবা মীচম অনী হাৎখিবগীদমক য়াস্পাল অমদি নরেশপু শিবগী চৈরাক পীফম থোকই। সিখ ফুরুপকী মায়োক্তা চথখিবা থৌওং অদুদা চাউরাক্লা মীওই লিশিং ৩ হেন্না শিখিবনি। মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা ইন্দিরা গান্ধীবু মশামক্কী বোদিগার্দনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা সিখ ফুরুপকী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ অমা লাকখিবনি।

বাইক রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ : বি জে পি মণিপুর মহিলা মোর্চানা শীন্দুনা রানী লক্ষ্মীবাইগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা বাইক রেল্লি অমা চৎখ্রে।

বাইক রেল্লি অদু ঙরাং অয়ূক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা নিত্যায়পাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি হেদ ওফিস মমাংদগী লমথারকখি। রেল্লি অদুনা ইম্ফালগী মফম কয়া ফাওদুনা চৎলবা মতুং কাঞ্চিপুরদা লৈবা পার্টি অসিগী টেম্পররি ওফিসতা থুংখি। রেল্লি অদু লমথাবগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনখিবা লুচিংবা কয়া হিষ্ট্রিগী লাইরিক্তদি তল্লগা মখোয়বু মপূং ফানা ইকায় খুম্নবদি উৎলমদবা অদু বি জে পিগী চুংশিন্নবা এন দি এ লৈঙাক লাকপদগী নীংশিংবা হৌরে। পুৱারী হায়বসি লোৎপা য়াবা নত্তে। রানী লক্ষ্মীবাইনা লৌরম্বা থৌদাং কয়া নীংশিংফম থোকই। কখোকখিবা কয়া অদু ঙসিগী মীরোলদা খঙহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা বাইক রেল্লি অসি শীনবনি।

কোংগ্রেস পার্টিদি কোংগ্রেসপু লুচিংখিবা ইমুং-মনুংগী মীওইখক নীংশিংবনি। বি জে পিদি লুচিংবশিংবু নীংশিংবনি। সর্দার বলভভাই পটেলগী মীতম অমা এন দি এ লৈঙাক্লা খিন্দুনা লুচিংবা অসিগী থৌদাংবু নীংশিংলি। মীতম অসি মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মীতম ওইরি হায়নসু ফোঙদোকখি। লমথাবগী থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ সলাম জয়, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে শরত অমদি এন নিম্বসসু শরুক য়াখি।


CAS REVISION

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE

CLASS XII & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position LANCHENBA OINAM HSLC Exam 2018, 94% (Man,E,M,Sc.,S Sc,Hm)

19th Position DEEPAK OINAM HSLC Exam 2018, 92% (Man,E,M,Sc.,S Sc,Hm)

ROHIT KHUMUKCHAM HSLC Exam 2018, 75.8% (Man, M, Sc.)

MAIBAM STEPHEN HSLC Exam 2018, 74.5% (Man, M)

LUNGINMANG HAOKIP HSLC Exam 2018, 72.6% (MIL, E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018

Seats are limited First come First Served

Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4983/13/11-12/12

EDUCITY TUTORIALS

Limited Seats!

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Timing:
5:00 am to 8:00 pm
5:00 pm to 8:00 pm

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018-19

CLASS - I TO X (Both CBSE & BOSEM)

Contact: 9612194500 | 8731977228

REVISION FOR CLASS-X

Subject: Maths, English, Science, Social Science

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 1000/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1200/- Month) CLASS IX & X (Rs. 2500/- Month)

CLASSES STARTING FROM 20TH NOV & 20TH DEC, 2018

HL-P/5002/18/11-17/12

ADVANCED COACHING INSTITUTE

The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729

TOPERS OF COHSEM Sc.2018
3rd Position Y. Devajit
9th Position P. Badal
9th Position Konica N.
10th Position A. Korounganba
10th Position L. Imoba
15th Position H. Arbin
17th Position Sh. Bikish

COHSEM ARTS 2018
2nd Position T. Sunaina
3rd Position Y. Gunchenba
4th Position T. James
5th Position M. Loyangamba
7th Position Obed kharam
8th Position T. Oresh

TOPERS OF BOSEM 2018
Rajeshori Limbu 11st Position (2018)
Md. Hanif (BOSEM) 24th Position (2018)
Asma M. (BOSEM) 17th Position (2018)

A few remaining seats (First come first serve)

Contact no : 9862992105

Revision course for class x and xii from 12st and 21st Nov. 2018 (BOHSEM & COHSEM)

Revision course for class x amd xii from 12th and 21st Nov. (CBSE)

Revision course for xii Arts from 15th,21st Nov. (Separate COHSEM & CBSE)

Advanced Foundation Course for vii to Xii(2019 batches) from 8th Dec'18

Separate CBSE, BOSEM & COHSEM

Separate boys and girls hostels(same block), van service, morning and evening batches, only 40 seats per section, special concession for Govt. school.

HL-B/4879/25/9-22/10(Alt.)

ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN-Class -X Revision Starts: 6th Dec. 2018

Foundation course Class 3 to10 Starts on 20 Dec., 18

TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M.
3rd Position Rozaria Th.
4th Position Khushi Kh.
6th Position Micheal A.
8th Position Bideli Devi
9th Position Md. Swadique
9th Position Robinson Kh.
9th Position Russel Ch.
13th Position Th. Yaiphabi
14th Position Siddhant W.
15th Position Neelima N.
17th Position Krishnand L.
20th Position K. Hennae
21st Position M. Thoibisana
21st Position Tina Th.
21st Position R.K. Kebisana
22nd Position Guigaingam K.
23rd Position Ng. Babyka
23rd Position Meghila T.

LIMITED SEAT

TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi
4th Position Lydia Thokchom
6th Position Delina Soubam
5th Position Ronnky W.
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Memthoi L.
11th Position Rajyashori Limbu
12th Position Advance N.
13th Position Oletina Thangjam
15th Position Varina Toijam
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
20th Position Haoam Eerik
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
23th Position Lelina Laishram
23th Position N. Robikanta
99 in MAN AK Toshiba

Form Available for Mock Test 2019

Date	Subject
10/1/19	English
14/1/19	Maths
16/1/19	S.Sc.
19/1/19	Addl.Sub
22/1/19	Science
24/1/19	MIL

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

7628946313 - 9402897710 - 8732022342

VAN AVAILABLE

HL-B/4945/26/10-30/11